## পোপ্যুলরিটি হেনগৎহল্লে

মাইয়ামি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওপোজিসন অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা মশামক্কী পার্টিগী মেম্বরশিংদা টার্গেট তৌরদুনা মীখলগা মরী লৈননা ফ্লোরিদাদা নহা ওইরিবা কঞ্জার্ভেটিভশিংদা ৱা ঙাঙবদা ফজদবা ইম্পীচমেন্টকী প্রোসেসনা মীয়াম্না মহাকপু পাম্নবগী চাং হৌজিক শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।
ফ্লোরিদাগী ৱেষ্ট পাম বিচতা পাঙথোকপা কঞ্জার্ভেটিভ য়ুথ কনভেন্সন্দা পুং ১রোম হেন্না ৱা ঙাঙলদুনা ট্রম্পনা দেমোক্রেটশিংনা মহাক্কী মায়োক্তা লৌখৎপা য়াবা কেস অমত্তা লৈতে অমদি ইম্পীচমেন্টকী প্রোসেস অদু ইলিগেল অমসুং অন-কন্সটিট্যুস্নেলনি হায়খি।

## জহাজ অনী থেঙ্গাইনখ্রে

মেক্সিকো সিটি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
মেক্সিকোগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান মনাক্তা অচৌবা ক্রুজ লাইনর অনী থেঙ্গাইনগী থৌদোক্তা মীওই ৬ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# নোর্থ কোরিয়াগী ৱাথোক লুশিল্লক্লি, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লুচিংবশিংগী মীফম পাঙথোল্লগনি



বৈজিং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা লৌখৎলকপা খোঙথাং কয়ানা মতম খরা উবা ফংলক্লিবা ঈং-তপ্পা ফিভম থুগায়বগা লোয়ননা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা হোৎনরকখিবা দিপ্লোমেটিক্কী থৌরাংশিং অরেন্বা তাকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা চাইনা, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লুচিংবশিংনা ইশ্যু অসিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোল্লগনি হায়রি।
সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইন অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা তোঙান তোঙান্না উনগনি। মদুগী তুংদা মখোয় চাইনিজ প্রিমিনিয়র লি কেকিয়াংগা ট্রাইলেটেরেল মীফম অমা চথনবগীদমক্তা চাইনাগী সাউথ ৱেষ্টর্ন চেংদুদা চৎকনি।
মখোয়না শেল-থুমগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নগদবা ওইরবসু নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফমনা খ্বাইদগী লুনা খন্নগনি হায়না থাজনরি।
প্যোংয়াংগী নুংনাংবা হেনগৎহল্লিবা ৱাফমদি ন্যুক্লিয়র অমসুং লোং-রেঞ্জ মিসাইল চাংয়েংশিং লেপ্পবফাওবদা লৈবাক অসিগী মথক্তা য়ু এসনা লুচিংদুনা থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবশিং হৌজিক ফাওবা লৌথোক্তনা লৈবগী ফিভম অসিনি। দিন্যুক্লিরাইজেসনগী ৱারী মখা চত্থবা য়ানবগী কন্দিসন অমা ওইনা প্যোংয়াংনা ৱাশিংটন্দা হান্নগী ফিরেপ্তুগী অহোংবা খরা মশক থোক্লা উৎকদবা থৌরাংশিং পুথোরক্লবা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মতম পীখ্রবসু ৱাশিংটনগী মায়কৈদগীদি প্যোংয়াংগী অপান্বা থুংহন্নবগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি।
অথুবা মতমগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টরকন্টিনেলটেল বলিষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অমা পাঙথোক্লুনা কুমজা ২০১৮ দা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্টকী মরক্তা পুরকখিবা কুমজা ২০১৮ গী এগ্রীমেন্ট থুগায়রবা য়াই হায়না হৌজিক এক্সপার্ট খরনা থাজরি।

# উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈদা ইষ্টর্ন লিবিয়ান ফোর্সশিংনা টর্কিস ক্রু য়াওবা জহাজ অমা ফাজিনখ্রে



বেনঘাজি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা য়েংথিনরিবা মালেম্না শকখঙবা লিবিয়ান গভর্নমেন্ট শৌগৎলিবা টর্কিগা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ইষ্টর্ন লিবিয়ান ফোর্সেসনা থাংজ নুমিত্তা লিবিয়াগী সমুদ্র খোংবানগী মনাক নক্লা টর্কিস ক্রু য়াওবা গ্রেনাদাগী ফিরাল থেৎপা জহাজ অমা ফাজিনখ্রে হায়রি।
টর্কিস ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা থাদা ত্রিপোলি গভর্নমেন্টগা খুৎয়েক পীনখিবা সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি কোওপোরেসন দিল অমা থাংজ নুমিত্তা টর্কিগী পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌখি অমসুং এগ্রীমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না অঙ্কারানা মতুং তারকপদা ত্রিপোলিদা বেজ তৌরিবা লিবিয়ান গভর্নমেন্টতা মিলিটরিগী মতেং পাংলকপা য়াই হায়রি।
নেসনল লিবিয়ন আর্মি ফোর্সেসকী নেভেল কেম্বেট ভেসেল অমনা জহাজ অদু ইষ্টর্ন সিটি দেরনাগী মনাক নক্লা লিবিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তা লৈরিঙৈদা খান্বগা লোয়ননা মদু ইন্সপেক্সন তৌনবা অমদি মদুদা পুরিবা কার্গো ভেরিফাইদ তৌন্নবগীদমক্তা রাস এল হিলাল হিংথাংফমদা পুখি।
কম্মান্দর খালিফা হাফটর শৌগৎপা ইষ্টর্ন ফোর্সেসনা এজেন্সিদা পীরকপা ভিদিও অমদা লিবিয়ন নেভি ফোর্সেসনা জহাজ অদু খামদুনা ক্রু মেম্বর ৩ দা ৱাহং পাউহং তৌবা উখি।

# মালিদা রেইদ চত্থখিবা ফ্রেঞ্চ ফোর্সশিংনা মিলিটেন্ট ৩৩ হাৎখ্রে



অবিদজান, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
অল কায়দাগা মরী লৈনবা গ্রুপ অমা ওপরেট তৌরিবা মাওরিতেনিয়াগী বোর্দর মনাক্তা ফ্রেঞ্চ ফোর্সশিংনা হেলিকোপ্টরশিং, গ্রাউন্দ ট্রুপশিং অমসুং দ্রোন অমা শীজিন্নদুনা থাংজ নুমিত্তা মালিদা চত্থখিবা ওপরেসন অমদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট ৩৩ হাৎখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
মালিগী মোপতিদগী অৱাং নোংচুপ্লোমদা কিলোটির ১৫০ লাপ্পা চত্থখিবা রেইদ অদু হৌখিবা চহীদা ফ্রান্সনা অমাদৌ কৌফা কৌবা সাহেল লমদমদা ফ্রেঞ্চ ফোর্সশিংনা কোইতান তান্নদুনা লাকখিবা সিনিয়র ইস্লামিস মিলিটেন্টশিংগী মনুংদগী অমা হাৎলে হায়না লান্না ক্লেম তৌরিবা ফোরেষ্ট এরিয়া অদুদা টার্গেট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।
হন্দকসু কৌফানা টার্গেট ওইদুনা রেইদ অদু চত্থখিব্রা হায়বগী মতাংদা ফ্রেঞ্চ আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফকী স্পোক্সমেন অমনা পাউখুম পীয়ু য়াখিদে। ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন্না আইভরি কোষ্টকী মরু ওইবা সিটি অবিদজানদা লৈরিবা ফ্রেঞ্চ কম্যুনিটিদা ৱা ঙাঙলদুনা ওপরেসন অদুগী মতাংদা পনখি অমদি মদু চাওনা মায় পাকখি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসি অয়ুক ফ্রেঞ্চ ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৩৩ হাৎখি, মীওই অমা ফাখি অমসুং মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মালিয়ন জেন্দরমেস অনী থাদোকখি হায়না আইভরি কোষ্টতা লৈরিবা ফ্রেঞ্চ ট্রুপশিংদা ভিজিট তৌরবা মতুংদা মেক্রোন্না ফোঙদোকখি।
ওপরেসন অদু হৌখিবা থাদা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবনি হায়বগী চিংনবা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা ট্রেকিং তৌখিবা হেলিকোপ্টর অমা কায়বদা ফ্রেঞ্চ লান্মী ১৩ শিখ্রবা মালিগী তোঙানবা মফম অমদা পাঙথোকখিবনি। থাংজ নুমিৎকী রেইদ অদুদা টাইগর এটেক হেলিকোপ্টরশিংদা তোংলিবা লান্মীশিংনা রিয়েপর দ্রোন অমা শীজিন্নদুনা ওপরেসন অদু পাঙথোকখি হায়রি।

# ইথনিক উইঘুরশিং শৌগত্তুনা পাঙথোকপা রেলিদা য়াওরিবা হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে

হোং কোং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
চাইনাগী ইথনিক উইঘুরশিংবু শৌগত্তুনা ঈংনা চিক্লা পাঙথোকখিবা অচৌবা রেলি অমা মওং মরিল তাদবা ইরাং ওল্লকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা হোং কোং সিটিগী ফাইনান্সিএল দিষ্ট্রিক্টতা পুনখিবা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা পেপর সপ্রে শীজিন্নখ্রে।
পুলিস দজন কয়ানা প্রোটেষ্টরশিং থেংননবগীদমক্তা হোং কোংগী হিথাংফমগা মায়োক্লরিবা পব্লিক স্ক্যাররোমদা থোমজিনখি। প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা গ্লাস বোট্টলশিং অমসুং নুঙনচিংবা কয়া লংশিনখি। মদুগী মমাং নুংথিল ঙল্লিঙৈদা উইঘুরগী ফিরালশিং অমদি পোষ্টরশিং পায়বা মীওই ১০০০ হেনবনা খ্বাইদগী নৌবা দেমোনষ্ট্রেসন অদুদা শরুক য়াখি।
অমুবা ফিজোল শেৎপা অমসুং মাইখুম উপ্পা নহা অমসুং অহলশিংগী ওইবা প্রোটেষ্টরশিংদুফ্রী উইঘুর, ফ্রী হোং কোং অমদি ফেক ওতোনোমি ইন চাইনা রিজল্টসইন জিনোসাইদ হায়না থাবা সাইনশিং উৎখি। খ্বাইদগী নৌবা প্রোটেষ্ট অসি ইংলিস সোক্কর ক্লব অর্সিনেলগী মিদফিল্ডর মেসুট ওজিলনা চাইনাগী ইরাং কনবা নোর্থ-ৱেষ্টর্ন রিজন সীঞ্জিয়াংদা লৈরিবা মুস্লিম ইথনি মাইনোরেটিগী মায়োক্তা লৈবাক অসিনা চল্লাইরিবা পোলিসিশিংবু ক্রিটিসাইজ তৌদুনা চাইনিজ লিদরশিংবু নুংনাংবা পোকহনখিবা মতুংদা থোক্লক্লিবনি।
টর্কিদগী হৌরকখিবা জর্মন মুস্লিম অমা ওইরিবা ওজিলনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা অমদা উইঘুরশিং চাইনাগী মীওৎ-মীনৈশিং মায়োক্লরিবা ৱারিয়রশিংনি হায়না পনখিবগা লোয়ননা সীঞ্জিয়াংদা চাইনানা চত্থরিবা থৌওংশিং ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।




# ন্যু য়রদা হ্বাইট হাউসতা লাক্লবা ট্রম্পনা জোন্সন্দা ইনভাইট তৌখ্রে



লন্দন, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্দা ন্যু য়রদা হ্বাইট হাউসতা লাক্লবা ইনভাইট তৌরক্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা বৃটিশ মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।
প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না থা অসিদা মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবা মতুংদা মঙোন্দা ট্রম্পনা হ্বাইট হাউসতা খোঙচৎ অমা লাক্লনবা ইনভাইট তৌখিবনি হায়না সন্দে টাইমসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
বৃটেন্না লাক্লিবা জন্যুৱারিগী অরোয়বদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অনৌবা ট্রেদ দিল অমা পুরকপা পাম্লিবনি। ট্রেদ দিল অসিগা মরী লৈননা মমাংদা মতম খরা খন্নখিবা লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীগী মরক্তা ওফিসল ওইনা য়ানবদি লৈত্রিবনি।
হৌজিক্কী ওইনদি নাকল অনীনা মদু মথং চহী ২০২০ গী অঙনবা শরুক্তা থোকহনবা পাম্মী হায়বসিদি শেংলে হায়না সন্দে টাইমসনা হ্বাইট হাউসকা নকশিন্নবা সোর্স অমা পল্লদুনা হায়খি।
নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙবা দ মেলগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জোন্সন্না খোঙচৎ অদু জন্যুৱারি ৩১ দা ব্রেক্সিট পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাংওইননা চৎপা পামদে। মদুগী মহুত্তা মহাক্লা ফেব্রুৱারি মনুংদা কেবিনেট রিসফল অমা পাঙথোল্লবা মতুংদা ওইনা খোঙচৎ অদু চৎপা পাম্মী। রিসফল অদুদা মহাক্লা কেবিনেট ওফিস মিনিষ্টর মাইকেল গোভপু অনৌবা ট্রেদ নিগোসিএটর হাপ্লগনি হায়না থাজনরি।
গোভপু ট্রেদ নিগোসিএটর হাপ্পা অসিনা মহাকপু জোন্সন্না ব্রেক্সিট মতুংগী ট্রেদ দিলগী ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মাংওইননা য়ু এসতা চৎপা মহাক্কী খোঙচৎতা লোয়নবা য়াগদৌরিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।
অদুওইনমক দাউনিং ষ্ট্রিটকী মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিনিয়র ওফিসল খরনদি হৌজিক ট্রম্পগী ইম্পীচমেন্ট প্রোসিদিংস চত্থরিঙৈ মনুংসিদা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না ৱাশিংটনদা খোঙচৎ অমা চৎপা তারবদি মরম চাদনা মঙোন্দা ৱাথোক অদুনা চৈথেং পীরকপা য়াই হায়না ফোঙদোক্লবা লৈ হায়রি।

# টেরর ফন্দিংগী অতোপ্পা কেসতা হফিস সয়িদ মরাল শীখ্রে



লাহোর, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টানগী এন্টি-টেররিজম কোর্ট অমনা অথিংবা থমখ্রবা জমাতুদ দৱা (জে য়ু দি)কী চীফ হফিস সয়িদ অমসুং অতৈ জে য়ু দিগী লুচিংবা খরা মখোয়গী মায়োক্তা কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সী টি দি) গুজরনৱালানা রেজিষ্টর তৌখিবা অতোপ্পা টেরর ফাইনান্সিং কেসকা মরী লৈননা মরাল শীখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।
জে য়ু দিগী লুচিংবশিং অসি তোঙান তোঙানবা সিটি মঙাদা লৌখৎখিবা টেরর ফাইনান্সিং অমসুং মনিলোন্দরিংগা মরী লৈনবা কেস দজন অনী হেন্না মায়োক্লরি। সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংনা মরম ওইদুনা কেস খুদিংমক অসি লাহোরদা বেজ তৌবা এন্টি-টেররিজম কোর্টশিংদা পায়হল্লিবনি হায়না থাংজ নুমিত্তা দ ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
সী টি দি গুজরনৱালানা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর অমগী প্রোসিদিংসকা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা এ টি সী জজকী মমাংদা হফিদ সাহিদ অমসুং অতৈ পুথোকখি। সাহিদ অমসুং অতৈনা এফ আই আর অদুদা মখোয়গী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং য়াখিদে।
মদুগী তুংদা কোর্টনা জে য়ু দিগী লুচিংবশিং অসিগী মায়োক্তা চার্জশিং ফ্রেম তৌবগা লোয়ননা দিসেম্বর ২১ দা প্রোসিক্যুসন ৱিটনেসশিং লাক্লবা খঙহনখি। হৌখিবা জুলাই ৩দা জে য়ু দিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ১৩ এন্টি-টেররিজম এক্ট (অতা) ১৯৯৭ গী মখাদা টেরর ফাইনান্সিং অমসুং মনিলোন্দরিংগা মরী লৈননা কেস দজন অনীদা বুক তৌখিবনি।
কেসশিং অদুবু পঞ্জাবকী সিটি মঙাদা রেজিষ্টর তৌখিবা কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সী টি দি)না লাউথোকখিবা অমদা অল-অনফাল ট্রষ্ট, দৱাতুল ইর্সাদ ট্রষ্ট, মাওজ বিন জবাল ট্রষ্ট অসিনচিংবা ট্রষ্টশিং অমসুং নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসনশিংগী খুত্থাংদা খোমগৎখিবা য়াল্লবা ফন্দশিং শীজিন্নদুনা জে য়ু দিনা টেররিজম ফাইনান্স তৌখি হায়না লাউথোকখিবনি।
মখা তানা সী টি দিনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা মখোয় জে য়ু দি অমসুং মসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা মরী লৈনরমখি হায়বসু খঙলকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানদা খোমগৎপা য়াল্লবা এসেটশিং/প্রোপর্টিশিং শীজিন্নদুনা টেররিজম ফাইনান্স তৌখি হায়না মরাল শীখি। মদুগী মতুং জুলাই ১৭ তা হফিস সায়িদ গুজরনৱালাদগী ফাখিবনি।

# মীওই ২৫,০০০ সিরিয়াগী ইদলিবতগী টর্কি পাংখ্রে



অঙ্কারা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
হৌখিবা নুমিৎ নিনিরোম অসিদা য়ামদ্রবদা মীচম ২৫,০০০ সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা ইদলিব থাদোক্তুনা টর্কি পাংখ্রে হায়না টর্কিস ষ্টেট মিদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
সিরিয়ন অমসুং রসিয়ন ফোর্সশিংনা লমদম অদুদা মখোয়গী মিলিটরিগী কেম্প্যেন কনশিনখিবগা ইরোইননা মশিং য়াল্লবা মীওইশিং লমদম অদু থাদোক্তুনা টর্কিদা চেনবগী রিপোর্টশিং অসি ফোঙলকখিবনি।
টর্কিন্দা হৌজিক সিরিয়ন রেফ্যুজি ৩.৭ মিলিয়ন চঙজফম পীদুনা লৈরিবনি। মসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রেফ্যুজি পোপ্যুলেসননি হায়না লৌনৈ। ফিভম অসি লৈনা লৈনা লালহৌবশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ইকোন কোনবা মফম ওইরিবা সিরিয়ন মিলিয়ন ৩ ফাওবা লৈ হায়না পান্নবা ইদলিব রিজন্দগী অহেনবা রেফ্যুজি কয়া অমা মখা তানা টর্কিন্দা চেনশিল্লকপা য়াই হায়না টর্কিস ওথোরিটিশিংনা কিরিবনি। অঙ্কারানা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না মীচমশিংদা রেফ্যুজিশিং থন্নগী থৌরাং শৌগৎনবা তকশিন্দুনা লাকখি।
য়ু এন এজেন্সিশিংগী মতুং ইন্না চহী অসিদা ইদলিবকী মী তাবা এরিয়াদশিংদা চত্থখিবা এটেকশিংদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে। হৌখিবা এপ্রিলগী অথেংবদা লোঞ্চ তৌখিবা সিরিয়ন অমসুং রসিয়ন মিলিটরি কেম্প্যেন অমা পার্টিশিংনা মপুং ফানা ঙাক্তে হায়না লৌবা য়াবা সীজফায়র অমগী মখাদা ওগষ্ট থাদা খরা নেমথখিবগী মওং লৈখিবা ওইরবসু ইরাই নুমিত্তা লমদম অদুগী মরাট অল নুমান অমসুং অতৈ ভিলেজ ১১ দা চত্থখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না রেস্ক্যু টিমশিংনা ফোঙদোকখি।
সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদনা ইদলিবপু অমুক হন্না খুদুম চনগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টর্কিরোম থংবা মায়কৈদা লান্মী কয়া থাজিল্লবনি।
টর্কিস প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা মীওই ৫০,০০০ ইদলিবতগী টর্কিগা তায়নবা সিরিয়াগী বোর্দর তম্না চঙশিনখ্রে হায়খি। টর্কিস ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইর্দোগান্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবদগী অতোপ্পা মীওই ২৫,০০০ ইদলিব থাদোক্তুনা টর্কিস বোর্দরগা নক্লবা মফমশিংদা য়ৌশিনখ্রে।

# মোরালিসনা অর্জেন্টিনা বোর্দরদা রেলি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি




লা পাজ, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সি) :
মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা বোলিভিয়াগী মীখলগী কেন্দিদেন্ট অমা খন্নবা দিসেম্বর ২৯দা অর্জেন্টিনা অমসুং বোলিভিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দরদা পাঙথোক্কদবা রেলি অমদা শরুক য়াননবা বোলিভিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ইভো মোরালিসনা থাংজ নুমিত্তা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা আপিল তৌখ্রে।
অজেন্টিনাদা পোলিটিকেলগী চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মোরালিসনা অজেন্টাইন রেদিও ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি মদুদি, মহাক্লা মুভমেন্ট ফোর সোসলিজম পার্টিগী মীফম অমা কৌখ্রে। বোলিভিয়াগী লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়গী কেন্দিদেন্ট খল্লগনি হায়না মোরালিসনা রেদিও লা নেটৱার্কতা ফোঙদোকখি।
পনবা য়াবদি, মোরালিসনা চহী ১৪ চুপ্পা মুভমেন্ট ফোর সোসলিজিম পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখিবনি। অনৌবা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং নেসনল লেজিসলেটর খরা খন্নবগীদমক্তা হৌখিবা ওক্তোবরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্টশিং ইন্টরনেসনল ওদিট অমনা কা হেনবা মওংগী অরান অহুই কয়া দিটেক তৌখিবগা লোয়ননা চৎনহনখিদ্রবনি।
মীখলদা অরান অহুই তৌবগী ৱাথোক্লা মরম ওইদুনা মোরালিসপু নমদুনা মফম থাদোকহনখি অমসুং মহাক নবেম্বর থাখায় চল্লকপদা বোলিভিয়া থাদোক্তুনা চেনখি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা লোমেকরশিংনা মেম্বর ৬ কী ওইবা ইলেক্তোরেল ট্রাইব্যুনেল অমা শেমখি।
ট্রাইব্যুনেল অসিনা বোলিভিয়াদা নুমিৎ ১২০গী মনুংদা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবগী মতম অমা জন্যুৱারি ২ ফাওবগী মনুংদা লেপকদৌরিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা মীফমগী মফম পনখিদে। তৌইগুম্বসুং লোকেল প্রেসনদি মদু অজেন্টিনাগী কেপিটেল ব্যুনস এরিসকী অৱাং নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১৩০০ লোম লাপ্পা সাল্টা প্রোভিন্সতা লৈবা সালভাদোর মাজা নৎত্রগা ওরান সিটিদা পাঙথোল্লবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।